কেস ১৯ থেংনখি...

লামায় ১গী মখা... শিজ হোস্পিটালদা ৪, রাজ মেদিসিটিদা ৪, বিষ্ণুপুরদা ১, চান্দেলদা ১, অমসুং চুড়াচান্দপুরদা ৪ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১০, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, থৌবালদগী ১, বিষ্ণুপুরদগী ১, চান্দেলদগী ১, সেনাপতিদগী ১ অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী ৪ য়াওরি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৮,৯৩৮ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৫১৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪১৯নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮,৩৫১ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,৯৪৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪০৭নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৭.৯৭ য়ৌরে। অদুগা কেস ২২০না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২১২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৮ য়াওরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈখিদে। লৈখিদবা মশীংসু ৩৬৭তগী হেনগৎত্রি। লোয়ননা মীওই ৪৩সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.684530
US Dollar	73.037272
British Pound	100.249858
Australian Dollar	56.681547
Chinese Yuan Renminbi	11.300734
Japanese Yen	0.705057
Malaysian Ringgit	18.123679
Singapore Dollar	55.190932
South Korean Won	0.066320
Saudi Arabian Riyal	19.476606
Thai Baht	2.440749
Myanmar Kyat	0.05477
Bangladesh Taka	0.86125

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49030.00
Mumbai	–	Rs	48780.00
Delhi	–	Rs	2218.58

GAS NEWS

LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK THANGA
Stock: 210
Valid from:06/12/20
Booking: Upto :15/12/20
Timing: 08:00am to 11:00 am
Home Delivery Only.
Please Contact: 7628026040, 9378112903

M/S R & H INDANE SERVICE
Irilbung Only Home Delivery
Booking Upto 27/11/2020
Valid From : 25/10/20
Stock : 306Nos.
Home Delivery &Booking
Contact Nos 8414824977/8413936705/9366013547/8132036940
Call Timing8.30amto12noon

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-19/01/2021
Valid from-14/12/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 30/12/2020
BOOKING UPTO: 31/12/2020
BOOKING AND ENQUIRY
ONLY: 03852444677
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.150 A&B of 23/12/2020
Valid from : 19/12/20
Time : 7.30 to 11am

HIYANGTHANG INDANE.
Booking 20-11-2020.
Valid 13-11-20.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 10.a.m.
Only home del. Service.
Mobile no. Office no.
6381538861. Whatsapp.no.
7085557686

IMPHAL LPG SERVICE
HOME DELIVERY
BOOKING 17/01/21
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
digital transaction and online
payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers - 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

KHUMBONG INDANE
BOOKING UPTO : 11-11-20
Only home delivery
Office no. 9774068549
Home delivery contact no.
7005771527
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to : 04/01/2021
Valid from : 18/12/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

MAIBIA GAS MOIRANG:
BOOKING UPTO : 10/12/2020
VALID FROM : 09/12/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE),-CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248. TIMING--8 AM TO 12 NOON.

‘উখ্রুলদা এম্যুজমেন্ট কম চিলদ্রেন পার্ক শারগনি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ফুংয়ার, উখ্রুল অমদি চিঙাই মন্দলনা শীন্দুনা উখ্রুলগী টাউন হোলদা নোংমগী ওইবা মন্দল লেভেলগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন অমসুং মণিপুরগী ইন-চার্জ শম্বিট পাত্র, সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ওক্রম হেনরি অমদি বি জে পিগী মশক নাইবা মীওই কয়ানা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্না মতম শাংনা ৱাদুনা লাক্লে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না ঙাইহাক পোত্থানবা অমদি অঙাংশিংগী শান্নফম ওইনা উখ্রুলদা লুপা ক্রোর ৫ রোম চঙনা এম্যুজমেন্ট কম চিলদ্রেন পার্ক অমা অথুবা মতমগী মনুংদা শারগনি। পার্ক অসি শাগদবা মফম অমা অথুবদা লেপথোকপীরকউ। এম্যুজমেন্ট কম চিলদ্রেন পার্কশিং অসি অতোপ্পা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু শাগনি। ইম্ফাল ইষ্টকীসু শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

লমদম অসিগী মীয়ামদা ৱাখলগী অনাবা লৈবগী মতৌ অমা লাক্লব্রা হায়বসি চিংনবা ফাওরকই। মরমদি মীয়াম্না তোঙান-তোঙানবা থবক ইনখাং কয়া শুরুরবসু পোত্থাফম লৈতবা অসিনা মতম পুম্নদা টেন্সন লৈবা মওং অমদা লৈবগুম তৌই। অদুবু হৌখিবা চহী অহুম মখায়রোম অসিদদি খরমখৈ শাফরে খল্লি। মতম অমদা পুলিস লাকপা উবদা কিনরম্বা অদু হৌজিক্তি লৈত্রে। নুমীদাংগী মতমদা য়ুমদগী মপান থোকপদা অকিবা পোক্লরম্বা অদু হৌজিক্তি পোক্লখিদ্রে। চহী খরা অসিদা অৱাং নোংপোক খোঙজেল য়াংনা চাউখৎলক্লিবা অসি বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগীনি।

বি জে পি য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা পার্টি অমনি। হৌজিক্তি লৈঙাক পায়দুনা মরা তাবা পার্টি অমা ওইরে। ইস্তুনবা হোৎনবা পাক চৎলরোইদবা পার্টিনি। হৌখিবা চহী ৪ রোম অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক অসিবু মীয়াম্না নুংশিবীরিবা অসি ঐখোয়না হায়খিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীদগীনি। চীননা অমা হায়রগা থবক ওন্থোক্লমদ্রবদি চীং অমসুং তমগী মীয়াম্না লৈঙাক্তা শৌগৎলিবা অসি শৌগৎলম্লোই। অথুবা মতমগী মনুংদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরেল চেঞ্জ অমা উবা ফংলগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোর্টকী ওর্দর ইন্দবগী শজিৱা জেলগী এস পিদা...

লামায় ১গী মখা... ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস অমা ওইনা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা ঙসিগী ওর্দর অদু পীখিবনি।

কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা কোর্টনা এস পি অসিগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসন অমসুং এফিদেবিটশিং অদু কুপ্না য়েংলে। অদুবু হৌজিক নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ তারক্তুনা ওর্দর অসি পাস তৌবগী মতম ফাওবদা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী মায়কৈদগী রিপোর্ট অমত্তা কোর্ট অসিদা পীখৎলক্ত্রে হায়খি। এস পিগী থৌওং অসি অতম্ননা কোর্টকী ওর্দর ইন্দবগা লোয়ননা কন্টেম্পট ওফ কোর্টস এক্ট, ১৯৭১গী সেক্সন-২(বি)গী মখাদা পীরিবা সিভিল কন্টেম্পট অদু কম্মিট তৌবনি হায়রদুনা প্রাইমা ফেসি লৈরে হায়খি। মরম অদুনা এস পি অসিদা নোটিশ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা এপ্লিকেসন অসিগী মতুংইন্না কন্টেম্পট ওফ কোর্টস এক্ট, ১৯৭১গী সেক্সন-১০গী মখাদা কন্টেম্পট প্রোসিদিং লৌখৎনবগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফোরৱার্দ তৌরোইদবগী মরম পীরক্লবা খঙহনখি হায়রি। লোয়ননা এপ্লিকেসন অসিগী মতুংইন্না লৌখৎলিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্ট হয়েং (জন্যুৱারী ২২, ২০২১)গী অয়ুক পুং ১০.৩০ ফাওবদা পীরক্লবা খঙহনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোর্ট অসিনা ঙরাং লাউথোকখিবা ওর্দর অমদা দিসচার্জ তৌখিবা একুইজ ৯গী মনুংদা কিয়ো কিয়ো নিয়াং এলিয়স অব্দুল রহিম অসিসু য়াওখিবনি। মহাক কেস অসিগা মরী লৈননা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাদা থম্লকপদগী মহাকপু থাদোক্লবা কোর্ট অসিনা খঙহনখিবনি। অদুবু এস পিগী মায়কৈদগী কোর্টকী ওর্দর অসিগা মরী লৈনবা থবকশিং পাঙথোরকখিদবনি হায়রি।

কোরকোমনা জন্যুৱারী ২৬তা পুং ১৮গী টোটেল...

লামায় ১গী মখা... ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগী পান্দমনি হায়রক্লি।

জম্মু অমদি কাশ্মিরগী নিংথৌ হরি সিংনা কুমজা ১৯৪৭গী ওক্টোবর ২৬তা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ একসেসন সাইন তৌদুনা ইন্দিয়া মনুংদা য়াওদুনা অহেনবা রাইট কয়া ফংদুনা লৈজরম্বদু হন্দক্তা লাউথোকপীখিবতা নত্তনা মচেৎ অনী থোক্লসু থুগায়বীবা অসিদা মালেমগী লৈঙাকশিং অমদি মীয়াম্না য়েংদুনা লৈবা নত্তনা করিসু তৌবা ঙমখিদে। মরমদি কাশ্মিরগী নিংতম্বা অমদি মখোয়গী রাইটকীদমক্তা থেংনগদবা লান্থেংদ অদু কাশ্মির মীয়াম্না তৌজগদবনি। অসুম্না চহী লিশিং কয়া নিংতম্বা লৈবাক ওইনা লৈজরম্বা ঐখোয়গী ইরমদম অসিসু নিংথৌ বোধচন্দ্রবু ইন্সত্রুমেন্ট ওফ একসেসন অমদি মর্জর এগ্রিমেন্টতা সাইন তৌহন্দুনা ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবা অসিদগী ঐখোয়না নান্থোক্কে হায়রবদি ঐখোয় ইরমদম অসিগী মীয়াম্না হোৎনজগদবনি। মালেমগী অতোপ্পা মীয়াম্না ঐখোয়গী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবগী লান্থেংদা ঈখেং তাবীদুনা হোৎনবীরগদবা নত্তে। অরেপ্পা শক্লোন লৈতবা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসননা ঙাক্লৌ খরা পীরে হায়দুনা ঐখোয়না পেন্থোক্তুনা লৈরবদি ঐখোয় মুৎচনবগী মচাক ওইগনি। অহেনবা ঙাক্লৌ আই এল পিনচিংবা কয়া লৈবা ৱেসিয়াগী মফম কয়াদা ফাওবা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মীশিংনা য়েলহৌমীশিংগী মীশিংদগী অসুম অসুম হেনগৎলক্লি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অমা লৈরবদি শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি মশানা তৌফম থোকপনি। করিগুম্বা মণিপুর (কংলৈপাক)গী নিংতম্বা মাঙলমদ্রবদি ঐখোয়গী লৈঙাক্লা ঐখোয়গী মীয়ামগী য়াইফনবা অঙন্বা থাক্তা শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনরমগনি। ইন্দিয়া মনুংদা হৌজিক লৈরিবনিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গী লমদম অসি শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনবা হায়বসি মশানা তাবনি। চহী ৫০/১০০গী তুংদা মণিপুর (কংলৈপাক) অমদি ৱেসিয়া লমদম অসিনা ইন্দিয়া মনুংদা খ্বাইদগী চাউখৎপা লমদম অমা ওইরকপসু য়াই অদুবু মতমদুদা মণিপুর (কংলৈপাক) নৎত্রগা ৱেসিয়া লমদমসিদা লৈগদৌরিবা মীয়ামদুদি য়েলহৌমীগী মহুৎতা হিন্দী লোল ঙাংবা ঙাক্তা ওইরক্লনি হায়বসি হৌজিক চত্থরক্লিবা ইনিদয়াগী লৈবাক ঙাক্লোন অসিনা শেংনা তাক্লি। মরম অদুনা ঐখোয়গী চহী লিশিং কয়াদগী লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপ্পচাশিং পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ইন্দিয়ানা নক্লৌ লৌখিবা ঐখোয়গী নিংতম্বা অদু অমুক হঞ্জনবতনা ঐখোয় মালেমগী লৈমায় অসিদগী মুৎখিদনদবগী লম্বী ওইগনি।

মরম অদুনা ঐখোয়বু মুখৎনবা শীন লাংলিবা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে অসিবু কোরকোমনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৫গী নোংয়াই চবুক পুং ১২ দগী জন্যুৱারী ২৬কী নুমীদাং পুং ৬ ফাওবা পুং ১৮গী ওইনা টোটেল সটদাউন তৌগনি। সটদাউন মনুং অসিদা ইরৈচাশিংনা শিন্থা লেপ্পীয়ু, য়ুম-য়ুমদগী মপান থোকপীগনু; ইন্দিয়াগী নম্ফুদা পাঙথোক্লিবা রিপব্লিক দে অসি বোয়কোট তৌবীয়ু। ঐখোয়গী পুন্সি অমসুং ইফুরুপপু লাঙ্গোই চন্দুনা শীংনরিবা ইন্দিয়াগী লোয়লম লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা নুমীৎ অসি অপূনবা লীচিং অমা উৎমিন্নসি। টোটেল সটদাউন অসিনা তঙাইফদবা লাইনিং-লাইশোল, অনা-লায়েং অমসুং মৈহৌ-লাংপোকক মরী লৈনবা থৌরমশিংদি কোনশিল্লোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ব্লদ দোনেসন...

লামায় ১গী মখা... চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, থৌরমদুদা ডা: এ বরিন্দ্র, হেদ এন্দ প্রোফেসার দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন, রিমস; ডা: কে রচন্দ্র, এসিস্টেন্ট প্রোফেসার, দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন, রিমস; কে পদ্মকুমার, মেনেজিং দিরেক্টর, লাইফ সেভর্স মণিপুর; খুন্দ্রাকপম প্রেমজিৎ, ভোলুন্টরি ব্লদ দোনর অমদি পেবম ধনঞ্জয়, ত্রেজরর, এস এ ভি আই মণিপুরনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা এসোসিয়েসন অমদি ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওইশিং লাক্তুনা ব্লদ দোনেট তৌরম্বগীদমক্তসু লাইফ সেভর্সমণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

সেসন্স জজ ওইরম্বা থোকচোম সাইমোন অমসুং সলাম...

লামায় ১গী মখা... ইনভেষ্টিগেসনদা একুইজনি হায়বা মীওই অনী ফাগৎখি। অদুবু হৌজিক মখোয় বেলদা থাদোকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরক্লিবা পুলিসকী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টকী চোক মনা ৪ মাঙখিবা অমসুং মাঙখিবা চোকশিং অদুগী মনুংদগী অমা শীজিন্নদুনা লুপা লাখ ৪৮ কায়থোক্লম্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮কী সেক্সন-১৩গী মখাদা অনৌবা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা প্রি-এরেষ্ট বেল লৌখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অসিগী জজশিং ওইরম্বা মীওই অনী অসিগী মথক্তা অনৌবা কেস অমা লৌখৎনবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও)গী মায়কৈদগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিংগী অয়াবা লৌননবা হোৎনরকখিবনি হায়রি। মসিদগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অসিগী জজশিং ওইরম্বা হৌজিক্লা থবক্তগী পোত্থারবা জুদিসল ওফিসর টি ঐচ সাইমোন অমসুং সলাম তারানা কোর্ট অসিদগী প্রি-এরেষ্ট বেলশিং অসি পীবীনবা হায়জরকখিবনি।

পিটিস্নর অনীগী বেল এপ্লিকেসন অসি ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী)গী সেক্সন-৪৩৮গী মখাদা থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনননা মমাঙগী কুমজা ২০২০দা লৌখৎখিবা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবনি।

সেসন্স জজ এ নৌতুনেশ্বরিনা থা অসিগী ১৮দা পীখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না প্রি-এরেষ্ট বেল পীখ্রবা ফোর্মর জুদিসল ওফিসরশিং অসি করিগুম্বা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাবা তারবদি মখোয়বু লুপা লিশিং ৪০/৪০ পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দগা লোয়ননা শেনফম অসিগা মান্নবা সিউরিটি অমমমগী বোন্দদা থাদোক্লবা খঙহনখি। লোয়ননা মখোয় অনীদা পীখিবা প্রি-এরেষ্ট বেলশিং অসিগী ওবজেক্সন/ষ্টেটস রিপোর্টশিং কেস অসিগী রেকোর্দ পুম্নমক্কা লোয়ননা কোর্ট অসিদা ফেব্রুৱারী ৮ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জদা খঙহনখ্রে হায়রি।

শেঙ্গা-থুমজা লৈহন্দনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি...

লামায় ১গী মখা... পর্সনশিং অমদি খুন্নাই অসিবু চাউখৎহনবা পান্থা মীয়াম্না লৌখিবা থৌদাংশিং অদুননি। নিতি আয়োগনা শকখঙবীরকখিবা অসিনা মণিপুর অসি গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌনা চাউখৎ লম্বীদা লাকপা অমদি অনৌবা আইদিয়া কয়াগা লোয়ননা খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চঙশিল্লে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। চীং অমসুং তমগী মফমশিংদা থোং মান্নবা চাউখৎপা পুরক্তুনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈনরম্বা মরী অদু হেন্না চেৎশিনহল্লকপগা লোয়ননা লমদমসিগী মীয়ামদা পোজিটিভ চেঞ্জ অমগী ৱাখল্লোন চেল্লকপা অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ষ্টেট অসিদা মীৎয়েং চঙলকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা ইম্ফাল ইষ্টতা ৱাটর এম্যুজমেন্ট পার্ক অমা শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে। মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না নুংঙাইবা মওংদা হিংননবা অমদি অহাংবা মতমদা ঙাইহাক পোত্থানবগীদমক অসিগুম্বা মফমশিং অসি য়াম্নমক মথৌ তাই। মসিগীসু মথক্তা ষ্টেট লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ হায়বদি চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, জিরিবাম, কাংপোকপী, সেনাপতি, তমেংলোং অমসুং উখ্রুলদা চিলদ্রেন পার্কশিং শাননবা অয়াবা ফংলে। মাইনোরিটি দিপার্টমেন্টকী মখাদা রুরেল অমসুং চীংগী এরিয়াশিংদা প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর ৪০ শাননবগী থবকসু পাইপ লাইনদা লৈরে। মথংগী একাদেমীক সেসনদগী ক্লাস হৌবা য়ানবা চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজগী ম্যেন বিল্ডিং শারিঙৈ চৈরক অসিদা টেম্পররি ওইবা ষ্ট্রকচর অমসু লৈহন্নবা হোৎনরি। তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া অমা শঙ্গাখ্রে। অথুবা মতমগী মনুংদা প্রোজেক্ট কয়া অমসু শঙ্গানবা লৈঙাক অসিনা থৌরাং তৌরি। ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টতা য়ুন্সফম ওইরগা চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা নুপী কৈথেলশিং শাখ্রে। মসিনা নুপীশিংনা ষ্টেটসিগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্লগনি। লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী খূদিংমক্লসু কম্মিটমেন্ট অমগা লোয়ননা পাঙথোকফম থোকপা থবক থৌরমশিং অদু পাঙথোকপীয়ু। লোয়ননা মণিপুরবু মায় পাকপা অমদি চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইহনবদা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম জ্যোতিনগী ইমুং-মনুংগী মীওইদা লুপা লাখ ৫গী চেক অমসু খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ১০শুবা আই আর বিগী কম্মান্দিং ওফিসর এস ঐচ জুগেশ্বর শর্ম্মনা পেরেদ কম্মান্দর ওইরগা পেরেদ কন্টিঞ্জেন্ট ৮না চৎখিবা মাস পাষ্টকী সেল্যুটসু চীফ মিনিষ্টরনা ওকখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লিশিং ৪০ ফাখিবা কেসতা ম্যান্মারদগী দ্রগ লোর্দ ১...

লামায় ১গী মখা... মালাকার এলিয়স ঝুথান মালাকার (২৯), অপোকপা সুৱামল মালাকার, নোর্থ ত্রিপুরাগী ধুপিরবোন গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর-৭তগী তানমোই পাল (২২), অপোকপা তপন কান্তি পাল, ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী মহিন্দর ৱার্কশোপ মনাক্তা লৈবা সাউথ রামনগর ইটকালাপোরাদগী হৌজিক্লা ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী এয়রপোর্ট পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা লৈবা ত্রিপুরেশ্বরী মন্দির ইংলিস স্কুল মনাক্কী গান্ধীগ্রাম কথাল তালি ভিলেজদা লৈরবা বিমন দাস (৩৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা দিমলচন্দ্র দাস, ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী রাজনগর ভিলেজদগী হৌজিক্লা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভদ্রমিসিপারা ভিলেজদা লৈরবা অব্দুল হসিম (৪২), অপোকপা অবু তহর মিয়া অমসুং ফৌদেল ময়াই লৈকায়দগী সাইক মুহম্মদ অন্সন (৩৯), অপোকপা এম ভি অহম্মদনি হায়রি।

একুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরম্বা মীওইশিং অসিবু দিসচার্জ তৌখিবগী কোর্টকী ওর্দর অদু কোর্ট অসিদা চত্থরকখিবা স্পেসল ট্রাইয়েল কেস নম্বর- ১২ ওফ ২০২০গী ৱায়েলগী মতুংইন্ননি হায়রি। কোর্ট অসিনা ঙরাং মসিগী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবা পুন্না চেনা ৩৭ পানবা ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং টিমনা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) অমসুং এন দি এন্দ পি এস এক্টকী লৈজরিবা মেন্দেটরি প্রোভিজনশিং কান্থোক্লম্বগী থৌদোক অসি অসিগুম্বা সেরিয়স কেসতদি য়াম্নমক লাইবক থীবনি হায়খি। অকক্লনা কেস অসিগী এফ আই আরদা য়াল্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অদুবু ফাখিবগী মফম (প্লেস ওফ ওকরেন্স) অদু ফৌদেল কাইরেম্বী মথক লৈকায়গী ইন্টর ভিলেজ রোদকী মফম অমদগী থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী কেম্পস মনুংদা হোংদোকহল্লমখিবা থৌওং অসি লোগী মীৎয়েংদা য়াফম থোক্তে হায়খি।

লোয়ননা অসিগুম্বা কেস অমগী থৌদোক থোকফম হোংদোক-হোংজিন তৌরম্বগী থৌওং অসি কোর্ট অসিনা সী আর পি সী নৎত্রগা এন দি এন্দ পি এস এক্ট অমসুং রুলগী স্পেসল এক্টশিংগী চেপ্টর অমত্তদা থেংনদ্রি হায়খি। কেস অমগী প্লেস ওফ ওকরেন্স অমদি টাইম ওফ ওকরেন্স অসি কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসন হৌনবগী য়াংলেন শরুনি হায়খি। অদুম ওইনমক হায়রিবা কেস অসিদদি সর্স তৌবা, সিজর অমসুং এরেষ্টকী থবকশিংদা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন-৪১(২), ৪২(১) অমসুং ৫০দা য়াওরিবা তঙাইফদনা পাঙথোক্কদবা মেন্দেটরি প্রোভিজনশিংগী অমত্তা য়াওদনা তৌরম্বনি হায়রি। মসিগা লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগী অশোয়বশিং ওর্দর অসিদা ময়েক শেংনা পনবগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা একুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা ৱায়েল চত্থনবগী মতিক চাবা মরম (সফিসেন্ট গ্রাউন্দ) লৈতবনা মরম ওইরদুনা মখোয় পুম্নমকপু কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌরে হায়রি।

দিসচার্জ তৌরবা একুইজনি হায়রিবা মীওইশিংনা কেস অসিগা মরী লৈননা তৌখিবা সিউরিটি বোন্দ অমদি সিক্যুরিটি দিপোজিৎনচিংবা কেন্সেল তৌবগা লোয়ননা মশা-মশাদা হন্দোকখিনবসু কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা ফাগৎলে হায়রিবা কন্ট্রাবান্দ দ্রগশিং অদু আপিল পেরেদ লোইরবা মতুংদা হান্না এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন-৫২-এগী মখাদা দিস্পোজ তৌখিদবা ওইরগদি দিস্পোজ তৌননবা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা দিরেক্সন পীখি। অদুগা কেস অসিগা মরী লৈননা জেলদা থম্লক্লিবা একুইজ নম্বর টু ওইরিবা কিয়ো কিয়ো নিয়াং এলিয়স অব্দুল রহিমবু অতোপ্পা কেসশিংদা মখা তানা মথৌ তাদ্রবদি থাদোকখিনবা ওর্দরসু পীখি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা থৌদোক অসি কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ২৪গী নোংয়াই মতুং পুং ১.১০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। মতম অদুদা ফৌদেল কাইরেম্বীদা লৈবা ফৌদেল কাইরেম্বী য়ুথস ক্লবকী মতেংদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা কার্পেট মকোন ১০০গী মনুংদা ফুমদুনা পুরকখিবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লিশিং ৪০ পুরকপা দি আই টাটা এম এন-০৬/এল এ-২৮৪৭ ফাগৎখিবনি। দি আই টাটা অসি থৌবাল ৱাংখেম মুস্লিম মমাঙ লৈকায়দগী মোহম্মদ হুসেন (৩৫), অপোকপা জাকির হুসেননা থৌরকখিবনি। পুলিসনা মঙোন্দা চত্থিবা ইন্টরোগেসন্দগী চেন্নরিবা অতে একুইজশিং অসি মথং-মথং ফাগৎলকখিবনি। অদুগা থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ৯৪(৮)২০১৯ অন্দর সেক্সন-২২(সী), ২৯, ৬০(৩) এন দি এন্দ পি এস এক্ট অমসুং ৪৬৮ আই পি সীনি।

কোর্ট অসিনা কেস অসিগী চত্থরকখিবা হিয়রিংশিংগী অরোইবা হিয়রিং থা অসিগী ১২দা পাঙথোক্লগা মসিগী ওর্দরনা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবনি। কেস অসিগী ৱায়েল চত্থরকপদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা স্পেসল পি পি ধনকুমার পিনা লেপখি। অদুগা একুইজ ৯গী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেটশিং এম দি সজিট খান, পি তোমচা, কিশোকুমার, এম দি জাকির হুসেন, এম দি নিজামউদ্দিন, এ কে সুমতি, বাস্কর দেব, কামেশ্বর অমসুং এ রোসননি।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি হায়নবগী মরম শুক্লে লৈতে...

ঙরাংগী মখা...

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৪৯দগী খুদুম চন্দুনা লৈরকখ্রবা কংলৈপাকপু এন ঈ এ (রিওর্গনাইজেসন) এক্ট, ১৯৭১না ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী ফিবান্নুংদা ইন্দিয়াগী ১৯শুবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমা ওইনা কংলৈপাক কৌবা ষ্টেট অমা কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা শেমখি। মসি ইন্টরনেসনল লোগী মীৎয়েংদা লমদম অসিবু ইন্দিয়াগী ১৯শুবা এন্নেক্স টেরিটোরি ওইহন্নবা অমদি কংলৈ ফুরুপ অসি নম্ফুদা মাঙহন্দুনা কংলৈচা পুম্বা ইন্দিয়াগী নেসনেলিটি ওইনা উহন্নবা খোঙথাংনি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা লৈরিবা কংলৈপাক্কী ষ্টেটস অসি ইন্টরনেসনল লোগী ৱাংমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা টেরিটোরি অমনি। খুদুম চল্লবা টেরিটোরি অমবু এন্নেক্সেসন তৌবা (নমদুনা লৌশিনবা) হায়বসি ইন্টরনেসনল লোনা য়াদে, অথিংবা থম্মী। কংলৈপাকপু ইন্দিয়ানা মাগী ১৯শুবা ষ্টেট ওইনা এন্নেক্স তৌবনা মরম ওইরগা কংলৈপাক্কী ওক্যুপাইদ টেরিটোরিগী ষ্টেটস অসি মাঙহনবা ঙমদে। ঙসিসু কংলৈপাক ইন্দিয়াগী ষ্টেট নত্তে, ইন্দিয়ানা খুদুম চল্লিবা টেরিটোরিনি।

চেরোল অসিনা হায়, কংলৈচাশিংনা তাল্লিবা রাইট টু সেল্ফ দিটর্মিনেসন অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর্স এক্ট (অফস্পা)-১৯৫৮ শীজিন্নদুনা নমথনবা হোৎনরি। অফস্পা চৎনবা মফমশিংদা লান্মীনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা থবক তৌরকপা মতমদা সেন্টরদগী মাঙজৌননা অয়াবা য়াওদ্রবদি হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা থিজিনবা ঙমদে হায়না লৈরম্বদু, লান্মীনা কা হেনবা শাথিবা থবক কয়া লেপ্তুনা তৌরে হায়বসি সুপ্রীম কোর্টনা য়াদুনা কুমজা ২০১৬কী জুলাই ৮দা অফস্পা চৎনবা মফমশিংদা লান্মীনা কা হেনবা তৌরবদি মখোয়গী মথক্তা ৱায়েল চত্থবা য়ারগনি হায়বা য়াথং থোকখি। অদুবু সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং অসি লৈঙাক্লা ফাগী তাহল্লে। লান্মীনা চহী ১২দা ঙাইরিবা অঙাং ফাওবা লালহৌবনি হায়জিন্দুনা হাৎপীখিবা থৌদোক য়াওনা ফাকাপতা হাৎখিবা থৌদোক কয়াগী প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্লা পীদবদগী কেসশিং অদুগী ৱায়েল হৌবা য়াদনা লৈরি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, মরাল লৈজদবা মীচম কয়া লান্মীনা ওৎ-নৈবা, নুপীবু নমদুনা ফল্লানবা অমদি পাক্তক মীহাৎ কয়া লেপ্তুনা চত্থরকপদগী অফস্পা মুখৎপীয়ু হায়না কোর্টতা থারকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) চহী ২০ লোম মচি লেংদনা থমখি। ৱাফম অসি খন্নবীয়ু হায়না ইরমদমগী হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংনা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কম্মিটি (য়ু এন ঐচ আর সী)দা তকশিল্লকপদগী ইন্দিয়াগী এট্রোর্নি জেনরেলনা ৱাফম অসি য়ু এন ঐচ আর সীনা খন্নবীরনু ইন্দিয়াগী সুপ্রীম কোর্টনা পায়খৎহঞ্জরগে হায়না য়ু এন ঐচ আর সীদা থাজবা ৱাফম পীখি। য়ু এন ঐচ আর সীগী ১৯৯৭কী মীফমদা ইন্দিয়াগী পেরিওদিক রিপোর্ট সবমিট তৌবা মতমদা ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অসিখক্তদা য়েংলগা খন্নখিবা তারবদি কংলৈপাকতা ওইরিবা হ্যুমেন রাইটসকী অশেংবা শক্তম খঙহনবা ঙম্লরোই খনবদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সবমিট তৌবা রিপোর্ট অদুগী মায়োক্তা লমদমসিদগী অল্টর্নেটিভ রিপোর্ট অমা য়ু এন ঐচ আর সীদা সবমিট তৌখি। কংলৈপাক্কী হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা রিপোর্ট অদু খ্বাইদগী অফবা, অচুম্বা রিপোর্টনি। ইন্দিয়ানা কংলৈপাক্কী ৱাফম অসি খঙবা নৎত্রগা খঙদবনা তোঙান্না থমখ্রগা সবমিট তৌখিবা রিপোর্ট অদু য়েংলগা য়ু এন ঐচ আর সীনা কুমজা ১৯৯৭তা হায়খিবদি কংলৈপাক্তা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অসি লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেম নত্তে, পোলিটিকেল প্রোব্লেমনি, পোলিটিকেল ওইবা মওংদা ৱাখৈনগদবনি হায়বসিনি। মসি ঐখোয়না হায়বা নত্তে, য়ু এন ঐচ আর সীনা হায়বনি। মদুগী মতুংদগীদি হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা য়ু এন ঐচ আর সীদা ইন্টরনেসনল কোভিনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটস (আই সী সী পি আর)গী মখাদা থাফম থোকপা রিপোর্ট থাবা ঙমদ্রি। মতুংদা ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী ফীভম ফৎলক্তবদগী ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ)দগী শেন্থুং লৌনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া অসি হ্যুমেন রাইটসপু ঈকায় খুম্ননা চৎপা লৈবাকনি হায়না উৎনবা কুমজা ১৯৯৩দা পার্লিয়ামেন্টনা হ্যুমেন রাইটস এক্ট পাস তৌখি। অদুবু এক্ট অসি কংলৈপাক্তদি চন্নফম লৈতে। কংলৈপাক্তা ইন্দিয়া-কংলৈপাক অনীগী আর্মদ কনফ্লিক্ট সিচ্যুএসন অমা লৈরি। কনফ্লিক্ট অসিগী হৌরকফম ওইরিবা কংলৈ মীয়ামগী রাইট টু সেল্ফ দিটর্মিনেসন (মরোমদোম লেপ্পগী রাইট)গী মুভমেন্ট অসি হৌজিকসু ৱাখৈবা লৈত্রি। কংলৈপাক মীয়ামগী মরোমদোম লেপচনবগী রাইট তানবগী ঈহৌ অসি লান্মীগী মতিক-মঙম শীজিন্নদুনা নমথবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কীদি লেংদ্রবা ফিরেপ ওইরি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী ঙসি ফাওবা কংলৈপাক অসি ইন্দিয়ানা ওক্যুপাই তৌরিবা টেরিটোরি অমা ওইরি। কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা ইন্দিয়াগী ১৯শুবা ষ্টেট অমা ওইনা এন্নেক্স তৌখ্রবসু, কংলৈপাক্কী ওক্যুপাইদ টেরিটোরি ষ্টেটস মাঙহনবা, মুথৎপা ঙমদে, অহোইনদুম ইন্টরনেসনল লোনা ওক্যুপাই তৌরবা টেরিটোরি অমবু এন্নেক্স তৌবদা অথিংবা থম্মী।

খুদুম চনশিল্লগা মীখা পোলহনখ্রবা কংলৈপাক্কী নিংতম্ববু হঞ্জিন্নবা কংলৈপাক মীয়ামগী তোঙান-তোঙানবা য়াওল্লুপশিংনা ইরৈবাক্কী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা ঈহৌ তৌদুনা লাক্লি। কংলৈপাক অসি য়ু এন চার্টর অমদি ইন্টরনেসনল লোগী মতুংইন্না মশানা মশাগী লৈঙাকচবা ঙম্লবা, মশাগী মরাইবক নিংতম্না লেপচবা ঙম্লবা টেরিটোরি অমা ওইদনা লৈরি। কংলৈপাক অসি নন-সেল্ফ-গভর্ণিং টেরিটোরি অমনি। রাইট টু সেল্ফ-দিটর্মিনেসন শীজিন্নদুনা কংলৈপাক মীয়াম্না মশাগী মরাইবক, তুংগী পোলিটিকেল ষ্টেটস লেপচনবগী রাইট ঙসি ফাওবা লৈরি। অরোইবদা, জন্যুৱারী ২১দা লৈঙাক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈপাক্লা ইন্দিয়াগী ১৯শুবা ষ্টেট ওইনা শকখঙখিবগী পাঙথোক্কদৌরিবা “৪৯শুবা ষ্টেট হুদ দে থৌরম’দা লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়াফম থোক্তে। ইম্পরিএলিষ্ট ইন্দিয়ানা নমদুনা লোয় চনশিনবীরবা ইরমদম কংলৈপাক্কী মাঙখিবা নিংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবা প্রিপাক্লা হনবা লৈতনা নিংতম য়াওল লান্থেং চত্থখিগনি, করিগুম্বা হীরম অমত্তদা ইরৈবাক্কী নিংতম্বগা ইন্দিয়াগা মন্তিক্লবা তৌরোই, ইরৈচাশিংগী নিংতম্বা চাউখৎপা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক ইফুরুপচাশিং অমত্তা ওইনা খুৎশম্ননা চৎমিন্নরসি হায়নসু লোনা অথিংবা থমখ্রবা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগনদাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

উটলা (জে) ফেক্সনগী...

লামায় ১গী মখা... খুঞ্জাশিংনা পার্বুং পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা ঙসি অয়ূক পর্বুং পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা অশিবা হকচাং অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মোর্গতা পুখ্রে।

লৈখিদ্রবা পাওখাই সিংসোন অসি নুপী অঙাং লৈরবা মীওইনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পর্বুং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

সেরম ইন্সটিট্যুট...

*লামায় ১গী মখা...*অশোক অপন নংহৌদ্রে। অদুম ওইনমক, রোতাভাইরস ভেক্সিন মেন্যুফেকচরিং ফেসিলিটিদি মৈ অদুনা অমাঙ-অতা খরা থোকহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা মৈনা চাকহনখ্রবা প্লান্ট অদুদা হয়েং হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনগদৌরি।

HAVE DOUBTS ABOUT HIV/AIDS?
CALL AIDS HELPLINE
1097
Follow @manipuraids
Issued in public interest by:
Manipur State AIDS Control Society
NACO
HL-B/6661/01-30

M/s H V S Construction Materials Pvt. Ltd.
Patsoi Lamkhai N.C Road,Imphal west-795113
ꯊꯕꯛ / Job Vacancy

Sl.No	Name of the post	No of post	Experience	Salary
1	Driver	15	5 to 8 years With a knowledge of Tipper BS/6	Rs 10,000/- to Rs 15,000/-Per Month (Daily Allowance-Rs 200/- at work site Daily Meal- Rs 100/- at work site)
2	Mechanic (Excavator & Back Hoe)	2	5 to 8 Years	Rs 10,000/- to Rs 15,000/-Per Month (Negotiable)
3	Mechanic Tipper	2	5 to 8 Years	Rs 10,000/- to Rs 15,000/- Per Month (Negotiable)

*Required Document: 1) Valid Driving Licence (TRV)
2) Aadhar Card with 2 Passport Photo.

Sd/- Huidrom Vikramjit Singh
Managing Director
Cont No: 8415902341,9436027837

HL-P/8648/22, 23, 24